# ‘নার্কো টেররিষ্টশিংগী মখূৎতগী ইরমদম কনবা’

- উশম ধরমেন্দ্র -

লোয়ালমগী পুন্সিনি, নুংশি-চান্ননা অরৈ লৈতা তাথোক তাশিন তৌনদুনা হিংমিন্নবা পুন্সি। করিগুম্বা এঞ্জাং অহাওবা অমত্তং থোংবদা ইঙ্খোলনুং লান্নদুনা চামিন্নবা, ঙানচিংবা থোংবগী ৱা ঙাক নত্তে, চগেম পোম্বা, উতিনচিংবা তাঙনা থোংবা এঞ্জাং হরাও-হরাও লান্নদুনা চামিন্নে। খুল অমগী মীপূম খুদিংমক ইখঙ খঙনৈ অচৌবা ইমুং অমগুম্বনি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা খুল্লোন্নবগীসু অদুম খঙনৈ। কনাগী মচানা করি তল্লিবা, হন্দক মেট্রিক, ত্বেলভ কনা কনা থারিবা। কনানা করি লোয়শঙ কারিবা ইখঙ খঙনৈ। লম্বী লমখাংদা থেংনবদা উশিন্নদনাচৎনদে। অমগা অমগা কৌনৈ, নুংশিনা হরাও তয়াম্না। লৌমী শিন্মীনা মশীং য়াম্বা লোয়ালমনি। ৱানা থবক শুজবা হিংননবগী লানফমদা, হিংবগী শক্তি ঈৱাং ৱাংখৎলত্তবা পুন্সিনি, চম্না থম্মোয়দা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা লেনবা পুন্সিনি। লৌরিং থা, লৌরোক থা খুঞ্জাশিং খুল্লং চৎতুনা পূন্না থবক শুমিন্নে। কুমগী হরাও কুম্মৈনা লাকপদা থম্মোয় মকা লাম্না শরুক য়ামিন্নে।

মহৌশাগী ফজবতা লৈতেংলিবা লোয়ালমনি। থেক খোইনা চেল্লিবা তুরেল তম্না খোং মচা মচাশিংনা ঈতিনফম তাল্লক্লি। চীংয়াগী পাৎতা হৌরিবা থরো থম্বালগী নুংশিবা মনম্না নুমিদাংৱাইরমগী নুংশিৎনা হুম্বদা মায়কৈ শিনথুংনা য়েল্লক্লি। পাৎকী লুরবা লাইজ ঈপাক্লা চীংয়া তম্না শন্দোকখ্রি। অসিগুম্বা লোয়ালমগী শক্তম অসি মণিপুরগী অয়াম্বা লোইজিং লোয়াদা ইমান মান্নবা উবা নুংশিবা শক্তমনি। অসিগুম্বা ঈংনা চিক্লা লৈজবা মণিপুরগী লোইজিং লোয়াশিং ঙসিদি খাম্বী মৈহৌরে। মণিপুর তম্পাক্কী শরুক্লা লোইশিল্লকপা চীংগী শরুক হৌরকপা অয়াম্বা মফমশিং কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী টার্গেট ওইরে। লৈঙাক্লা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবনা ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ, মে ৩গী নুংথিলদগী চুড়াচান্দপুর এরিয়ারোমদগী মৈৱাইরকখিবা মৈরিনা চম্না হিংজবা মীতৈশিংগী পুন্সিদা তংদু লৈতাদবা, মীপাই থবাইবা অমা ঙসিসু ওইদুনতা লৈরি। ঙাইহাক লৈতনা হৌজ থেঙ্খাং কয়ারক্তা মতা ফবা চীংমাইদগী মীতৈনা খুন্দারিবা মীতৈ তম্পাক্লম তম্না অফবা মখলগী নোংমৈ পায়দুনা কাপথরক্লি। মীতৈনা সোফ্ট টর্গেট ওইরক্লি।

চীং কারগা তম্পাক্লমদা য়েংথবসি নুংঙাই। ইশম শম্না চৈরাওবা নুমিৎতা চৈরাওচীং কারগা মতা ফবা চীংমাইদা ফম্লগা য়েংথরকপদা লোইনা উই। অসিনা অদুগী লৈকায়দুনি, অসিনা অদুগী শাগৈদুগী কোল্লুপনি হায়বা ইশেং শেংনা উই। মদুগী মওংদা মতা ফবা চীংমাইদা নীংথিনা নে-না তানা লৈরগা বঙ্করবু শারবসু শাদ্রবসু কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈগী লমদমদা য়েংথরকপনি। মদুগী মথক্তা লেন্স য়াওবা সোফিষ্টিকেটেদ ৱেপননি মখূৎতা পায়রিবা। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হিকোম হিকোম থাবা ঈৱাং লাকশিনবগী মওংসিদদি কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দানীংবা মতমদা লান্দাদুনা লৈরে। চানীংবা মতমদা লৌবুক লম্মাংদা থাদোকপা মীতৈশিংনা নুংশিনা লোয়জবা ষণশিং হাৎতুনা চাথোকপীরে। কয়ামুক য়াম্না নে-না তানা লুট পাৎ তৌবগে হায়ববু পুখ্রিদা য়োকপা ঙা ফাওবা ফাদুনা চাথোকপীরিবসিনি। শান্তি ওইনা হিংজনীংবা মীতৈশিং অৱা হুইদোং লাংলে। লোয়ালমগী চীংয়া তময়াগী অচিকপদা উচেক ৱায়াগী নুংশিরবা মখোল তাখিদ্রে। উথুমগী ‘তুম-তুম’ লাউবা মখোলগী মহুত্তা কুকি টেররিষ্টশিংনা কাপথরকপা নোংমৈ বোমগী ‘দুং-দাং’ গী মখোলনা মায়কৈ শিনবা নিল্লে। অৱাবনি ইরমদম।

করিগীদমক্তা ঈংনা চিক্লা লৈজবা মীতৈশিংগী পুন্সিদা কুকিশিংনা অতম্লনা লান্দারক্লিবনো? মপা মপুশিংনা মখোয়গী তাংদাংবা হোমলেন্দ অমা থম্বীরমদবদগী কুকি হোমলেন্দ অমা শাগৎনবা হোৎনরকই। ম্যান্মারদা মায় পাক্তে, অতৈ মফমশিংদসু ওইথোকপা ঙম্লোই খন্দুনা মশানা মশাবু শ্কোলরনি হায়জবা কুকি খুজোক খরনা মণিপুরগী পুৱারীবু লান্না ইথোরকই। পাখংবনা ফম্বাল তোংবদা কুকি য়াওবগী ৱারী পুশিল্লকই। মীতৈগী অঙনবা মতমগী নিংথৌ ‘তাওথিংমাং’ বু মাং তাই হায়দুনা কুকিনি হায়জিল্লকই। অসুম্না নহা ওইরিবা কুকিশিংবু লান্না লান্না লমজিংলকই। সনা লৈবাক মৈত্রবাক অসি মখোয়গী মপা মপুগী হৌরকফম লীরবা লৈবাক ওইনা উহল্লকই। লাইবক থীবনি। নাকল অমরোমদা ম্যান্মার, থাইলেন্দ, লাওসকী তাইনফমদা লৈরম্বা গোল্ডন ট্রাইঙ্গলনা মরাই চাইথখিবদা অনৌবা গোল্ডন ট্রাইঙ্গল অমা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লমদমসিদা শাগৎনবা হোৎনরকপনি। মদুগী হায়বদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা থুমহৎলবা লমদম অমা ওইদনবা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক মথং মথং পায়খৎলকপদগী নার্কো টেররিষ্টশিংদুনা মীচম কুকিশিংবু লান্না লমজিংখিদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী অমদি মীতৈশিংগী মায়োক্তা অতম্লনা হুইয়েন লানশিংনরকপনি।

হৌজিক্তি মীতৈ পূম্নমক ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্পা লৈদুনা মীপূম খুদিংমক লাম্মী ওইবা তারকই। অহল-লমনশিংনা হায়বীরম্বা নুপাগী পুন্সিদি শাফম লানফম ঙাক্তনি হায়বদু হেন্না হেন্না ময়েক শেংলকই। মতম অমদা লৈকায়গী খুলগী ওইনা লৈরম্বা লমলেমশিং নহা অঙাংশিংনা চেন চোংদুনা শান্নফম ওইরম্বা মফমশিং মশীং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা য়ূম য়ূমদা থবক থৌরম থোকপদা খুদোংচাদবা থেংনবদগী কোক্লনবা কম্যুনিতি হোল ঙম্না শাজিন্নখ্রে। অসিগুম্বা কম্যুনিতি হোলশিং অসি লেম্না থম্বগী মহুত্তা মার্শিএল আর্ট মখল কয়াগী শান্নফম ওইবা য়াই। খৃষ্টিয়ানশিংগী চর্চতা ৱা তানফম ওইবগুম মীতৈশিংগীসু মফমসিদা অরুবা ৱা তানফম ওইনা কোনশিনবা য়াই। মাগী মাগী ওইবা ৱাখল্লোন পুথোক্লদুনা ইরমদমসিগী অফবা মায়ওন লেপ্পা পূম্নমক্কী মথৌনি। ঐদি শেল পায়বনি, লৈঙাক্কী ফম অচৌবা পায়বনি হায়দুনা গেট লোনশিল্লগা মুক্তুনা লৈবগী মতমদু নৎত্রে।

মালেমদা দেমোক্রেসি চৎপা অচৌবা লৈবাক্লি হায়রগা থা অনী শুজিল্লক্লবা নার্কো টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা কাঙলূপকী লান অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা তূমিন্না লৈশিন্দুনা লাকখিবসি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিবু মশক থীহনবনি। লৈবাক্কী মপী মপা অমা ওইরগা অসুম্না তৌবসিদি মীচম মীয়াম অমত্তনসু পেল্লম্লোই। হান্নদি ফনা য়াম্নবু শাউনীংলম্মী হৌজিক্তি ঙকপা অমদুম য়াওশিল্লক্লে। মহাক্লা ফোরেন টুর চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা চৎনখিবা মণিপুরগী মিনিষ্টর, এম এল এ ময়ামদুবু অমত্তা হেক উনবীরমদে। অঙকপা থম্মোয়নি। অঙকপা ৱাখলনি।

ৱারবা মতমসিদা রাহুল গান্ধীনা মশাদা অকিবা, চিংনবা অমত্তা য়াওদনা লাঞ্জেন্নরকপশিংনা লৈরিবা কুকি অমদি মীতৈশিংগী রিলিফ কেম্পশিংদা চঙ চঙদুনা অৱাবা তারবশিংগী থম্মোয়বু থেমজিনবীখি। মদুদা অৱাবা তারবশিংনা কয়াদা পেঞ্জখিবা। মসিদি থম্মোয়গী মরীনি। পোলিটিক্সকী দলা-দলিগী ৱাফম নত্তে। ময়ূম মকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রবী, লন-থুম, সনা-লুপা পূম্নমক লুট তৌবীহৌরবী থৱায়তবু হিংলবদি হায়দুনা চেল্লকখিবশিংদুগী মরক্তা চহীনা নম্বো পোরবা, মাঙগী লম্বীনা তেনশিল্লক্লবা তুংগী লম্বীনা শাঙহৌরবা কয়াসু য়াওরি। রাহুল গান্ধীনা মখোয়বু য়েংশিনবীবা লাকপদা ও খোংনা কপ্পুনা অৱাবা মপাউ কয়া তম্বদু উবদা থম্মোয় শোক্লোইদবা কনাবু য়াওবগে। অৱাবা পূম্নমকসিগী হৌরকফম করিনো। রাহুল গান্ধীসু ৱাখল মুন্না তৌরমগনি।

লোইহন্নীংবা কাঙলূপকী লান লোইদ্রি। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরগী লৈঙাক্লা ঈরাংসি লোইশিন্নবা পুকচেল শেংনা হোৎনফম থোকই। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) দা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিং নীংথিনা কন্ট্রোল তৌফম থোকই। মথক্তসু পঞ্জখ্রে নরেন্দ্র মোদি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা শাংলবা মতমসি ৱা অমত্তা ঙাঙদনা লাকখিবা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিবু মশক থীহনবনি। পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন সম্বিট পাত্রনা ফোঙদোকখিবদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী ফীভম নুংতি নুমিৎ খুদিংগী নরেন্দ্র মোদিদা খঙহল্লি হায়খি। অদুদি অমিট শাহনা মহাভারতকী কুরুক্ষেত্রগী লানপাউ তল্লিবা সঞ্জয়গী শক্তম লৌরি অদুগা নরেন্দ্র মোদিনা মমিৎ তাংবা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রগী শক্তম লৌরি হায়বনি।

লোইশিল্লকপদা, লমদমসিদা নার্কো টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা ঈরাং অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মহৌশাগী পুন্সিদা লাকহনবা মীপূম খুদিংনা পাল্লি। তশেংনা হায়রবদা ঈরাং অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা অসুক্কী মতিক ৱাহল্লে। তুংগী পুন্সি করম্না হিংগদগে খনবদা অমম্বা অমা ওইরে। ইরমদম মণিপুর নার্কো টেররিষ্টশিংগী মখূৎতা তাদনবা মণিপুর লৈঙাক্লা অকনবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থবক তৌবা চঙই অমসুং সেন্ট্রেল লৈঙাক্লসু পুকচেল শেংনা থবক পায়খৎফম থোকই। পূম্নমকসিগী মথক্তা মীয়াম্না পূন্না খূৎশম্নদুনা নার্কো টেররিষ্টশিংগী মখূৎতগী ইমা লৈবাক ইরমদম কলহৌদবা য়াদে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## টিদ্দিম লম্বীদা বোম পোকখায়হনবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাক্তা অমসুং ফৌগাকচাউগা লোন্নবদা লৈবা উকু অমা স্কোরপিওদা ফিট তৌবা বোম অমা জুন ২১, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭.১০ রোম তারকপদা পোকখায়হনখিবদু ইচম চম্না লান্দারকপনি, অশোক অপন য়াওহৌদ্রে হায়দুনা নীংঙাইদনা লৈথোকপা য়াবা মতম নৎত্রে, য়াম্না লুবা থৌদোক অমনি হায়না ইরৈচাশিংনা চেকশিনবা মথৌ তাই। হায়রিবা মফম অসি মোইরাং সব দিভিজনগী মনুংদা মোইরাং এ সীগী অরোইবা ঙমখৈনি। মখোয়গী ঙমখৈ লেপ্লবা তাল্লকপা মাল্লি। সেন্টরনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন নত্তনা সোল্যুসন পুরকপা ঙম্লরোই, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসননা ফাইনেল সোল্যুসননি হায়না লাউথোক্লকপদা ঐখোয় তৌফম খঙদনা খোয়শাওনদুনা ফ্রং ফ্রং চোংবা নত্তনা করিসু পাম্বে লৈরোই। বোম পোককায়হনবসিমক সেন্টরগী ইঙ্গিৎ ফংলম্বা য়াই হায়না খল্লি। ওইরমদবসু য়াই। তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী লুচিংবশিং, ইন্টলেকচুএল এন্দ পোলিটিকেল থিঙ্করশিং কোক চুংশিন্নদুনা মতম লৈরিঙৈদা তৌবা য়াবা তৌবীরো। মণিপুর-মণিপুরদা লাউদুনা রেল্লি চৎতুনা কান্নদ্রে হায়না লৌবা য়ারে। লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা তানা তানা তবীদ্রে, উনা উনা উবীদ্রে। অখণ্ড অহৈ তান্নবীদুনা আইনগী থোঙদা লাউরসি, ৱাকৎলসি। আইন খঙবনা আইন্দা, খূৎলায় পায়বনা লান্দা অহৈবশিংনা মাঙ থাবীরো।

অমরোমদা লৈকায় খুল ঙাক্লিবা ইচা ইনাওশিংদা হায়জনীংবদি লানগী ট্রেনিং ফংদ্রিবা ওইরম্বা য়াই নোংমৈ মরূ অকক্লবা খরনি, সপ্লাই লৈতে। খূৎলায় য়াওদনা করম্না লাম্হেংনগদগে হায়বসু অখণ্ড অহৈশিংনা খরা তাকপী তম্বীবা মথৌ তাগনি হায়না থাজবসু লৈ। খূৎলায় পায়দনা লৈঙাক্লিবা ইচাশিংসু ট্রেনিং ফংলবা অখণ্ড অহৈ থোকপীরক্তুনা ট্রেনিং খরা পীরবদি কান্নবা ফংগনি থাজে। বঙ্করদা লৈরিবশিংসিবু কনাগী কম্মান্দ মখাদা লৈরিবনো নৎত্রগনা মানা মানা খঙবা পংতৌ তৌরবদি লুচিংবা য়াওদবগী মাঙজবা লাক্কনি। খ্বাইদগী মরূ ওইরিবদি ঙাক্লিবা লানবন অদু কায়খ্রবদি অনীশুবা লানবন কদোমদা। মরম অদুনা লানবন নৎত্রগা বঙ্করসু পলোন নাইনা শেমহন্নীংই। ইকায়খুম্নজরিবা থবক্তগী পোত্থারবা (রিটাইয়র্দ) কর্নেল ঐচ সরত কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবা পলোন অহুম শাবা লানবনগীসু থৌরাং পায়খৎহন্নীংই। ইরৈপাক্তা অৱাবা তারবসিদা পূক্নিংদা মওল মওল খল্লক্তুনা পংই ইখ্রে। লান্না লৌবীদনবা পূম্নমকপু খুরুমজরি। ফুদিৎতা মাঙজোং চোংবা তাহনগুমসি। থবক্লা উৎলসি।

**অদোমগী - কে লুখোই, মোইরাং**

## মণিপুর কনমিন্নসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ওল মণিপুর মৈতৈ দিফেন্স কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এম এম দি সী) না পাল্লিবা এন বিরেনগী লৈঙাকপু শৌগৎলি, মণিপুরগী সী এস ওশিং অমদি পোলিটিসিয়ন পূম্নমক পূনশিন্দুনা মণিপুর কনমিন্নসি হায়না এ এম এম দি সীগী মায়কৈদগী খুবাম চাংজৌ তরা লোন্নদুনা হায়জরি, খুরুমজরি।

**অদোমগী - টি ঐচ থোম্বা মৈতৈ, পব্লিসিটি সেক্রেটরি**

## পাউখুম ফংলোইদবা ৱাহং

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঙসিগী মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূম্নমক্তগী থোইবদগী থোইরবা মীওইবনি হায়রিবনি অদুবু মীওইবা পূম্নমক্তগী তুংগী-মাংগী, হয়েংগী-হংচিৎকী, লাক্কদবা-লাকওইদবা, ওইরক্কদবা-ওইরকওইদবা খঙবা মীওইপোক্কী মনুংদা মী পূম্নমক অতৈদগী থোইবদগী থোইনা অতম্নলা তৈদুনা হাপ্পীরবা মতিক ময়াই য়াওরবা, মপু মাগী মিতম মমি লৌদুনা মীতম্বীখিবা মী অতৈ অদো মীতৈ ঐখোয়নি। নীংশিংবা থোকত্রবা মতমদগী মী-লাই অনী তাইনবদগী লৈরক্লবা মীতৈ লৈবাক কংলৈপাক হায়না শৈথাবীরল্লিবনি। লাইগী, মীগী, নিংথৌ কয়া পানখ্রবা ইরমদম কংলৈপাকনি, করিগী কাউগনি লাইগী মচা ঐখোয়না।

লৈজৈ ঐখোয়গী কনাদগীসু ৱায়রুবা লৌরুবা লৈত্রবা ইরন কয়া, ফিজেৎ চাকচা, য়াহিপ, ফম্ফম, লাইনীং-লাইশোন, ইরোন ইয়েক, থকসি-খাসি পূম্নমক ৱাৎত্রবা মী অতৈ অদো ঐখোয়নি। ঙসি মালেম পূম্নমক্তগী তোঙানবা ফুরুপনি কাঙলূপনি ঐখোয়। ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা ইপোৎ ইরন মালেম য়েৎতুম মতোন্দা পকপা লৈরিক অমা ফাওবা মাঙদনা থম্বীরম্বা খাগেম্বা কিয়াম্বা, বিরা, টিকেন্দ্র, পাওনা, থাঙ্গালগী মচা মশু শুথাংনি। ঐখোয় করিগী কাংগনি ঈগী ঈচেল লৈরি থৌনা লিংজেল।

কনানা করিবু তাল্লিবা করিবু লৌগে থৌরাংলিবা কনাগী মচা-মশুনো কদাইদগী লাকপনো, মপা মপুগী মরন মথুম মাঙখিবা লৈরম্বা কাউখ্রবরা মী মানবা করম্বা কাঙলূপ ফুরুপনো। মাঙদবা পোৎপু মাঙখি, লৈরমদবা পোৎপু লৈরমই, লৌরগে লৌরগে হায়রক্লিবা মপু পানবা লমনি। মচা মশু লৈরমগনি হায়বা ফাওবা খনবা ঙমদ্রবা মী মানবা মীওই কাঙলূপশিংদুবু কিরুবদি লায়রদনা খংনোক খংনোক নোকনীংই।

মীগী মপোৎ মরল মীহৌরিবা মী মানবা নখোয় মপা শাবনা ইচা নত্তে হায়রকপা নুমিৎতা লোইরবনি। মীতৈদি অচুম্বগীদমক শিবা কিদে অরানবগীদমক্তদি শিবা পাম্মুই। ইপা ইপুনা হায়রম্বা ইচাশা ইশুশা ফম্বা চল্লবদি হিপ্পা চল্লক্কনি, য়ূমদাংবনা কৈনাইরক্কনি, লৌ মপু য়োংনা তাল্লক্কনি, মতম অদো লাক্লদি নোংমগী কোরৌদি মালেম মথক মখা ওল্লবনি। পু অহুম চাইনবনি, মীকপ মীরাওনা নিল্লনি মালেম, হা ইচা খোমদোন মৈরৌবী চেৎনা য়াল্লু তাহৌনি । পাউরৌ পাউখোং - নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ হায়বদু চুল্লরে। ঙসি চানবা হিংবা নখোয়দি চানবা অদুম মহিংউ, হিংনবা চাবা ঐখোয়দি চীংউ লাইগী ৱায়েল, লাইগী শমচেৎ থারদুনা অরুবনা য়াইদ, অনৈবনা মতাইদা তাল্লুদনা কারবনি খোমলুদনা তিন্নরনি হায়রম্বা চীংউগী পাউখোঙ পাউরৌ ঙাইমিন্নরসি পারি ইমোমশা।

**অদোমগী - এন কে মৈরা (মনিহার) মোইরাংচা**
কংলৈপাক এৱার্দি
এদভাইজর এল এস দি কে এল সনা কোনুং, ইম্ফাল

### ষ্টেটকী পাউ

## ফয়েং মমাঙ নোংপোক লৈকায়দা কম্বাইন্দ ফোর্সনা থী-হুম্বগী থবক চখ্খ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ৪ (ঐচএনএস):**

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ফয়েং মমাঙ নোংপোক লৈকায়দা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস, ৪৫ শুবা এফ কম্পেনি বি এস এফ অমদি ১৮৪ শুবা সি আর পি এফ য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা থী হুম্বগী থবক চখ্খ্রে।

ওপরেসন অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী হৌরগা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ ফাওবা চখ্খি। কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফয়েং মমাঙ নোংপোক লৈকায়দা লৈবা তোঙান তোঙানবা য়ুম ৮০ রোম চঙদুনা থী হুম্বগী থবক চখ্খি। লোয়ননা য়ুমশিং অদুদা লৈরম্বা চহী ১৮ দগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং মশাগী শক্তাকচে পুথোক্তুনা ভেরিফিকেসন চখ্খি। অদুবু থৌদোক অদুদা মীফা মীপুনদি য়াওখিদে।

ফয়েং হায়রিবা খুন অসি সেদ্যুল কাষ্টশিংনা তাবা লমনি। মফম অসিদা মমাঙদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংগা তাইনবা মফমশিংদা য়াম্না তোইনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চখ্খরকপদগী মফম অসিদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা মীপায়বা পোক্তুনা তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্লা মফম চাবশিংদা ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্টরগী ফোর্সশিং থমখিবদগী খরদি ইরাং নেমথরে হায়রি।

অমরোমদা, খুঞ্জাশিংনা পাম্বদি মহৌশাগী পুন্সিদা তংদু লৈতানা ইংনা চিক্লা লৈবা পাম্মী। চীং কাদুনা শীং য়ানবা অমদি লৌবুক কুমদুনা থবক শুবা মতমদা অকিবা অমদি মীপায়বা লৈহন্দনা থবক শুবা পাম্মী। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদদি মদুগী চপ চাবা ৱাহম্লোক অদু ফঙবা ঙমদ্রি।

মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্টরগী লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মণিপুরদা তংদু লৈতানা লৈহন্নবা মণিপুরদগী খুৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিং মরূ ফঙনা মুখৎনবা অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়রি।

## ইম্ফাল জিরি লম্বীগী মফম কয়াদা কোম শাবদগী গাড়ীশিং চৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে

**ইম্ফাল, জুলাই ৪ (ঐচএনএস):**

মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা হৌখিবা মে ৩ দগী লম্বী থিংজিনখিবা অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা মণিপুর মীয়ামগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবদা মরূ ওইবা লম্বী অমা ওইনা শীজিন্নরি।

হায়রিবা লম্বী অসি মতম চানা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম্বা লোইশিলহৌদবনা হৌজিক নোংজু থাগী মতম ওইরকপনা লম্বী অসিদা পোৎ পুবা গাড়ী ময়াম চৎপদা হান্নগী ফিভমদগী হেন্না শাথিনা শোকচিল্লে হায়রি।

ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা কিমি ২০৯ রোম শাংবা লম্বী অসি নেসনেল হায়ৱে ইনফ্রা ষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কো ওপরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সি এল) না লম্বী অসি শেম্বগী মপুং ওইবা থৌদাং লৌবনি। মণিপুরদা নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লম্বী অসি পাকথোক্লবা চীং ককপগা লোয়ননা দ্রেন শেম্বা অমদি তোঙান তোঙানবা মফমদা কলভর্টনচিংবা হাপ্পুনা অকনবা থবক চখ্খরম্বনি। অদুবু লম্বী অসি কোয়লাস থাবদি অয়াম্বা শরুক থবক হৌদনা লৈরকখিবনি।

হৌখিবা মে ৩ দা মণিপুরদা চিন কুকি মিলিটেন্টশিংনা তম্পাক্লা তাইনবা চীংখোং চীংয়াগী এরিয়াদা লৈবা মৈতৈ খুনশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা য়ুম কয়া মৈ থাখিবা অমদি মীশি মীনা অমদি অশোক অপন কয়া নঙখিবনা মরম ওইদুনা হৌজিক লম্বী অসি মপুং ফানা শেম্বা লোইশিলহৌদনা লৈরক্লিবনি। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী থিংখিবনা মরম ওইদুনা হৌজিক থা অনী হেন্না ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অসিদা নোংমদা পোৎ পুবা গাড়ী ২০০-৩০০ গী মথক্তা চৎপদগী লম্বীগী ফিভম হান্নদগী শাথিনা শোকচিল্লে হায়রি।

গাড়ী ড্রাইভর খরনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক নোংজু থা ওইবনা লম্বী অসিদা পোৎ অরুম্বা পুবা গাড়ী ময়াম অমা চৎপদা লম্বীগী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোম শাদুনা লৈবা য়াওরে। নুংবাদগীনা বরাক ফাওবগী মরক্তা চীং খরা খরা নিংখায়বদা নত্তনা চীংদগী লৈনাং চেন্থরকপদগী লম্বীদা তুংদুনা লৈবদগী মদুগী মথক্তা অরুম্বা পোৎচৈ পুবা ট্রক অমুক থৌজিনবদগী লম্বী লৈখোম থোক্লে। ঈশিং চেনগদবা দ্রেন নীংথিনা শেম শাবা লোইশিলহৌদবনা নোং কন্না চুবা মতমদা লম্বী ময়াইদা ওইনা ঈশিং চেল্লে। লম্বী ময়াইদা লৈরিবা কোমশিং অদু ঈশিং তুংবনা মরম ওইদুনা গাড়ী ড্রাইভরশিংনা খঙদদুনা থৌদরুবা মতমদা গাড়ী চাক্কা পুথদুনা চিংখৎনবা ফাওবা য়াওরে।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা এন ঐচ আই দি সি এলনা অকুৎপা মফমশিং অসি ফত্তবা লৈনাংশিং অদু হান্না কোথোক্লগা নুংচাক হাপ্লগা পোট হোলশিং অসি মেনশিন্নবা মরী লৈনবশিংদা গাড়ী ড্রাইভরশিংনা আপিল তৌরক্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১) **“ভগবান শ্রীরাম”** (২০০৮) হায়বা কাব্য অসি কনানা ইবনো?
২) **“মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **“অশিববু কোন্দুনা সমাধি মখাদা/লৈররে ইতোমতা তূমদুনা; করিগী অমুক হন্না লাক্লিবা/থম্মোয়গী মৈচাকপু চাকহনগে হায়না/”** ঈশৈ মতেক অসি অসামগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ঈশৈশিংদগী খোমজিন্দুনা মণিপুরীদা হন্দোরকপদগী লৌথোরকপা ময়েকনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?
৪) **“কংফালগী অরোইবা লমদমদৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) **“মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**ACI SCHOOL**
(A Co_ Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)
Regd. No. 1/96/96/-HSC(Vol. VIII)
Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar
RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL
SCIENCE & ARTS
ADMISSION OPEN FOR XI
2 yrs NEET & JEE Integrated coaching Course
Transport & separate Boys and Girls Hostel
Special Offers for present situation
1. No admission fee for Former student's family OF ADVANCED COACHING INSTITUTE
2. No admission fee for Single parents & orphan
3. No admission fee for Student passed out from Government School
SUBJECT OFFERED FOR science : General English, Alt.English, Manipuri, Physics, chemistry, Biology, Mathematics, Home science, Computer science and Physical Education
SUBJECTS FOR ARTS : General English, Alt. English, Manipuri, Elective Manipuri, Sociology, Education, Pol.Science, Geography, History, Economics, Mathematics
REQUIRED DOCUMENTS :ORIGINAL ADMITCARD + 2 RECENT PASSPORT PHOTO
ADMISSION FORM /PROSPECTUS AND REGISTRATION FORM CAN BE COLLECTED FROM SCHOOL OFFICE DURING OFFICE HOURE( 10AM –4PM)
** POSITION HOLDERS : FREE (ADMISSION + TUITION FEE +UNIFORM + BOOK + HOSTEL ADMISSION + HOSTEL FEE)+ SCHOLARSHIP + Coaching Class
** 90 % and above— Free admission + Free school Fee + Free coaching Fee For class XI +Book grant(one time) + Scholarship
** 85 % and above—Free admission +Free School Fee + Free coaching class of xi +Book grant For XI + scholarship 1k/month
** 80% and above— Free Admission + Free School FEE + Bag ** 75% and above : Free admission + FREE coaching class +book grant
• 70% and above— FREE ADMISSION + FREE COACHING FEE * 65% and above — FREE ADMISSION FEE +Free 1/2 COACHING FREE
• **60% and above—Admission Free ** 55% and above—1/2 admission free **50% and above—1/4 admission FREE
** 45% and above —Direct Admission+ Free note book *** Below 45 % —Direct Admission.
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105
HL-B/8193/28/6 to 27/7

## কোহিমাগী চুমুকেদিসিমাদা চীং নিংখায়রকপদা গাড়ী ৩ নুঙজাওনা থোমদৎপদা অমাঙ অতা থোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ৪ (ঐচএনএস):**

ঙসি নুংথিল নেসনেল হায়ৱে ১০২ (ইম্ফাল দিমাপুর) লম্বীগী নাগালেন্দগী কোহিমা টাউন মনাক্তা লৈবা চুমুকেদিসিমাদা খঙহৌদনা চীং নিংখায়রকপদগী নুঙজাও য়াওনা তারক্তুনা লম্বী অসিদা গাড়ী থৌরকপা কার অহুম নুঙজাওনা থোমদৎপদগী অমাঙ অতা থোকখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নাগালেন্দ এরিয়াদা নোং কন্না চুরকপগা লোয়ননা মফম খরদা চীং নিংখায়রকপা অমদি নুঙজাওশিং য়াওনা কিন্থরকপদগী লম্বী অসিদা চৎলিবা মীয়ামদা খুদোংচাদবা অকিবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি।

ঙসি নুংথিলগী পুং ৪.৩০ রোম তাবদা খঙহৌদনা চীংথক্তগী নুঙজাও খরা কিন্থরকপদগী লম্বীদা থৌরম্বা কার অহুম নুঙনা থোমদৎতুনা গাড়ী অনী বোদি ফক্কায়খি অদুগা কার অমনা নুঙজাও অদুনা থোমজিল্লকপদা চেপ্পুনা লোক্তা তাগদবা শম্নাদা লিৎহৌখি।

থৌদোক অদুদা কার অদুদা তোংলকপা মীওই অমনা লৈখিদ্রে অদুগা অহুম অমনা অশোক অপন নঙখি।

থৌদোক অদুদা চেপ্পুনা লৈবা কার অদু মীয়াম চঙশিন্দুনা গাড়ী অদু হৌগৎপগা লোয়ননা শোক্লবা মীওইশিং অদু কোহিমা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। লম্বীদা নুঙজাও কয়া কিন্থরকপা অদুনা মরম ওইদুনা হায়ৱে অদু মতম খরা থিংজিন্দুনা লৈখি। মতুংদা নাগালেন্দ ষ্টেটকী মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং লাক্তুনা লম্বীদা চীং নিংখায়দুনা পল্লম্বশিং অদু তকথোকপগা লোয়ননা মফম অদুদা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়ীশিং অদু দিমাপুররোমদা চঙহনখি হায়রি।